**FOREX (INDIA RUPEES)**

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 83.514414 |
| US Dollar | 76.334547 |
| British Pound | 101.344704 |
| Australian Dollar | 56.082513 |
| Chinese Yuan Renminbi | 12.080944 |
| Japanese Yen | 0.661439 |
| Malaysian Ringgit | 18.270595 |
| Singapore Dollar | 56.110376 |
| South Korean Won | 0.062647 |
| Saudi Arabian Riyal | 20.355879 |
| Thai Baht | 2.332325 |

**Spot Gold (24K) Rates/10gm**

| | | | |
|---|---|---|---|
| Benglore | – | Rs | 5160.00 |
| Chennai | – | Rs | 5285.00 |
| Delhi | – | Rs | 5160.00 |
| Hyderbad | – | Rs | 5160.00 |

## GAS NEWS

**IMPHAL LPG SERVICE**
(Home Delivery only)
Ujjwala connectionavailable 18-02-2022 Update Gas Card With Fresh photo . New Contact Office No. 6009392991, 9362654114, 03853560556.
Time 8:30 to 12:30 .
Those who haven't received send to whatsApp no.9863624773 their form no1.also available 19kg and 5kg .please don't use other numbers except the notified one. Those Deactivated one submit Aadhar and KYC form for activation.In view of covid19 and curfew booking can be made through IOCL
1. For whtsapp booking type <REFILL#>LPG ID NO. e.g. start from 70000000xxxxx xxx 16 digital. Send to 7588888824.
2.For onlidistributorsne payment use<Indane Oil One app>
It's applicable for all of IOCL. Encourage online payment. Please prepare document i.e. Aadhar accompanied with phone no.and voter ID for Ujjwala connection. Contact Imphal LPG office for ujjawala connection.

**PATSOI INDANE**
**BOOKING UPTO 10/12/2021**
VALID FROM 20/11/2021
**STOCK 306 DBTL ONLY**
TIMING 8 AM TO 1PM

**CANCHI INDANE SERVICE**
**BOOKING UPTO 03/03/2022**
VALID FROM NIL
14kg,19kg & 5kg UJJAWALA AVAILABLE
HOME DELIVERY ONLY
DELIVERY WITHIN 4 DAY
KWAKEITHEL 6009600531
NAOREM LEIKAI
9863763938 & 7005352782
CONTACT TIMING 08.00 to 10.00am

**KHUMBONG INDANE**
**BOOKING UPTO 18-01-22**
Valid from 17-01-22
Only home delivery within 4 days
Office no .8794313865
Home delivery contact no.9612023095
Whatsapp no.7005013837
Time 7.30am to 11.am

# বি জে পি লৈঙাক্না দেমোক্রেসি হাৎলে, লৈঙাক লৈখা তারে ...

*লামায় ১গী মখা...* ফাওবা লাক্তুনা মফম অদুদা মিনট ৫ রোম প্রোটেষ্ট তৌরল্লবা মতুংদা কোংগ্রেস ভবনদা অমুক হঞ্জিনখি।

রেল্লি অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা মণিপুরদা কাঙলোন চুন্না ভোট থাদবা পাম্মী, সু গ্রুপ শীজিন্নবা য়ানীংদে, সেভ দেমোক্রেসি, সেভ মণিপুর, বি জে পি ষ্টোপ য়ুজিং সু আউটফিটস ইন ইলেক্সন, ষ্টোপ পোল ভাইওলেন্স, রেষ্টোর পিছ, ঈ সী আই প্লিস ওপন য়োর আইস হায়বনচিংবা থাবা প্লেকার্দশিং পায়খি।

এলাইএন্স অসিগী ৱাকৎ মীফম অমসুং খোঙচৎ অদুদা শরুক য়াখিবা সী পি আইগী নেসনল এগজিক্যুটিভ মেম্বর ডা. এম নরনা পাউমীশিংদা হায়, বি জে পিগী লৈঙাক অসিনা দেমোক্রেসিবু শীংনরে অমসুং সেক্যুলরিজম্বু শীংনরে। লৈঙাক অসি সোসিএলিজম্বু শীংনবা লৈঙাকনি। লায়রবগী লৈঙাক নত্তে হায়বসি তৌথোরকপা থবকশিংনা উৎলি। রেল্লি চৎকে হায়বদা লৈঙাক্না পর্মিসন পীদে হায়খি।

লৈঙাক্না সু তৌনরিবা লালহৌলূপ অমগা অমসুং ইন্দিয়া লৈঙাক্না য়ান্নরগা লুপা ক্রোর ১৫ হেনবগী শেনফম পীদুনা পাঙথোক্লিবা মীখল অসিদা চীংগী এরিয়াদা বি জে পি কানবা হোৎনরিবা অসি লৈবাক অসিগী দেমোক্রেসিবু খোঙ্গাওনবা থৌওংনি। মীয়াম থোরক্তুবসু ভোট কাদবা য়াদে হায়দুনা অকনবা লাল্লোং চথরকপনি হায়খি।

য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টকী হোম মিনিষ্টরগী অয়াবা য়াওদনা থেঙ্খাং অনীরক্তা য়াল্লবা শেনফমশিং পীখিবগী মতাংদা কোংগ্রেস লুচিংবা জয়রাম রামেসনা মীদিয়াদা ফোঙদোকখিবসু লৈখ্রে। হয়েং অনীশুবা ফেজগী ভোট থাদনগদবনি। অদুবু নুমিৎ খরনিগী মমাঙদগী বি জে পিনা চথরল্লিবা টেররিষ্টকী থবকশিংগী মনুংদা মরু ওইনা শুগুনু, ককচীং খুনৌ, হৈরোক, ৱাংজিং তেন্থা অমদি খাঙবোকনচিংবা এরিয়াদা টেরোরাইজেসন তৌবগী থবকশিং থোক্লি। মীয়াম্না অকি অখং য়াওদনা ভোট থাদবা থোরক্তনবা থবক থৌওংশিং চথরল্লি। মসি পূম্নমক দেমোক্রেসিগী চৎন-পথাপকী ৱাংমদনি হায়খি।

মসিগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌদবা য়াদে অমসুং মীয়ামদা খঙহন্দবসু য়াদে। ইলেক্সন কম্মিসননা লৈঙাক পায়রিবা কাঙবুগী য়াকা য়েংলগা থবক তৌবদৌনা তৌরে। থৌওং অসি ঐখোয়না পেন্দে। মীখল অসি ফ্রী এন্দ ফ্যের ইলেক্সন ওইহন্দুনা ভোটরশিংনা মানা মানা পান্বা মীওইদা ভোট পীহনগদবনি। অদুবু হায়রিবা অসি থোকহন্দনবা ইফোং ফোংনা চথুফম থোক্তবা থৌওংশিং চথুরি হায়খি। মরম অসিনা এলাইএন্স অসিনা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজং অসি মীয়াম্নসু ৱাখল খন্থদুনা করিনো হায়বদু নৈনফম থোকই হায়খি।

মফম খরদদি নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ ফাওবা ভোট থাদবা থোরক্নু হায়না কিহনবা য়াওরে। থৌওং অসি দেমোক্রেসিগী মায়োক্তনি অমসুং দেমোক্রেসিবু মনিং হন্নবা হোৎনবনি। মরম অসিনা অরানবা তৌরিবা কাঙবু অসি কনানো হায়না মীয়ামদা খঙহন্নবা হোৎনবনি হায়খি।

রেল্লি অদুদা শরুক য়াখিবা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট এন লোকেননা হন্দক্কী ইলেক্সন অসিদা কুকি তাবা হেংলেপ এ সীদা পোল্লিং বুঠ ২৩ কেপচর তৌখিবা অদু ইলেক্সন কম্মিসন, আর ও অমদি দি ঈ ওদা ৱাকৎখ্রবসু ঙসি ফাওবা পাউখুম পীরক্ত্রে। য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অমদি হোম মিনিষ্টরনচিংবা লাল্লগা চথরল্লিবা থৌওংশিংগী মায়োক্তা মীৎতা অমুবা ফিনা খুমজিল্লগা চথরল্লিবা খোঙজং অসি লৈবাক অসিগী কন্সটিট্যুসন কন্নবা হোৎনবনি অমসুং চীং অমসুং তমদা মীখলগা মরী লৈনবা ভাইওলেন্সশিং থোকহন্দনবা হোৎনবনি হায়খি।

## হৈরোককী নহা ...

*লামায় ১গী মখা...*ওইরিবা দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসর এ সুভাসনা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি মহাক্কী ওফিসতা পাউমীশিংগা উনবদা মহাক্না হায়, হায় কোর্টকী দিরেক্সন অসিগী মতুংইন্না হৈরোক এসেম্বলি কন্সটিট্যুএন্সিগী চহী ১৮গী ময়াদা লৈবা নহা ওইরিবা ভোটরশিংনা পাসপোর্ট, বর্থ সর্টিফিকেট, ক্লাস টেনগী সর্টিফিকেট, আধার কার্দ নৎত্রগা ইলেক্সন আই দিনচিংবা কার্দশিং অসিগী মনুংদগী দোক্যুমেন্ট অনী পুথোক্লগা ভোট থাদগদবনি। নহা ওইরিবা ভোটরশিংবু ভেরিফিকেসন তৌনবগীদমক হৈরোক এ সীগী পোল্লিং ষ্টেসন খুদিংমক্তা কাউন্টর হাংদুনা থমগনি হায়খি।

লোয়নননা থৌবাল অমসুং ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী এসেম্বলি কন্সটিট্যুএন্সি ১০গী ভোটরশিংনা য়াম্না তংদু লৈতানা ভোট থাদবা য়ানবা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাংশিং তৌবা লোইরে। দিষ্ট্রিক্ট অনীমক্কী ভোটরশিংনা অকিবা অমসুং চিংনবা য়াওদনা থোকপীরক্তুনা ইশা ইশাগী দেমোক্রেটিক রাইট অদু মপূং ফানা শীজিন্নবীয়ু হায়না দি ঈ ওনা পাউমীশিংগী খূথাংদা আপীল তৌখি।

# বি জে পিগী ৱার্করশিংনা জে দি -য়ুগী...

*লামায় ১গী মখা...* হায়, মতৈগী য়ূমদসু নূঙনা থারকপদগী নগিনসু মপান্দা থোরক্তুনা নূঙনা থারক্লিবশিং অদুদা ফোন তৌদুনা করিগীনো ঐনা করি লাল্লম্বগীনো, নখোয়না নূঙনা থারিবসে হায়দুনা ৱা খরা ঙাঙনখি অমদি য়ূমথংননা লৈরিবা বি জে পিগী ৱার্কর লাইশ্রম রোবেন (৪২) অপোকপা লৈখিদ্রবা সুবোলগসু লাউনদুনা ৱা খরা ঙাঙনখি। মদুগী মতুং নোংঙাল্লমদাই পুং ২.৩০ রোম তারকপদা মাঙ্গোলদা থানবা বল্ব লৌথোক্লগা থোঙ ফক্কাইরগা মীওই ২০ লোম চঙশিল্লক্তুনা তূমদুনা লৈরিবা মপুরোইববু থাঙনা মফম খঙদনা য়াল্লম্বনি হায়রি।

থৌদোক অদুদা মহাক্না মী হাৎলে হায়না লাউরুবগীদমক মহাকপুসু মপুরোইবা অমসুং পীক্লিবা মচাগী মমাঙদা মচিন মেন্দুনা য়ূময়াইদা পুথোক্লগা মঙকশমদা থাঙ থন্বগা লোয়নননা গাড়ীগী চেননা কল্লগা ফূরম্বনি হায়খি।

করি লাল্লুবগীদমক অসুক য়াম্না তমথীনা মপুরোইবা অমদি মহাকপু হাৎনবা হোৎনরল্লিবনো হায়রদুনা মসিদা চেন্নরিবা মীওইশিং ফাবীদুনা অচুম্বা ৱায়েল তৌবীয়ু। মহাক্কী ইমুংদা বি জে পিগী ৱার্কর লাইশ্রম রামো অমদি বিরবলনচিংবা লাক্লগা হাৎননবা হোৎনরম্বসি করিগীদমক্তনো হংলদুনা থৌদোক অসিগী মতাংদা অচুম্বা পুথোকপীয়ু হায়খি।

## বোর্দরদা আই ঈ দি প্লান্ট তৌরম্লে

ইম্ফাল, মার্চ ০৪ (ঐচ এন এস) : মণিপুর পুলিস অমসুং এ আরগী স্পিয়র কোর্পসকী অপূনবা ওপরেসন টিম অমনা ঙরাং ম্যান্মারগা তাইননা লৈবা কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী কে অসাং খুল্লেন ভিলেজগী মফম অমদা প্লান্ট তৌদুনা থল্লম্বা ইমপ্রোভাইস এক্সপ্লোসিভ দিভাইস (আই ঈ দি) অমা থেংনবদগী মফম অদুমক্তদা অশোক অপন য়াওহন্দনা পোকখায়হনখ্রে হায়রি। আই ঈ দি অদু মফম অদুদা চৎথোক চৎশিন তৌবা মীয়াম অমসুং ইলেক্সনগী দিপ্লোই তৌবা ওফিসলশিং অমদি সিক্যুরিটি ফোর্সশিংদা অকি অখং পোকহন্নবা থৌরাং তৌরম্বনি হায়রি।

# ২ শুবা ফেজগী মীখল ফ্রী এন্দ ফ্যের ...

*লামায় ১গী মখা...* কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা খঙহল্লকপা লৈখ্রে হায়খি।

মহাক্না মখা তারদুনা অহানবা তাঙ্কক্কী মীখল অসিদা নোংমৈ কাপ্নবা অমদি অমুক্তা উখিদ্রিবা মওংদা শেল য়াম্না চাইখায়বা, ভোটর অমমমদা লুপা ২০০০ দগী ২০০০০ ফাওবা য়েনবা অদুগা মফম কয়াদা বুথ কেপচর তৌনবা হোৎনখিবা, মসি পূম্নমকসিনা তাকপদি অশেংবা অচুম্বা মীখল ওইখিদে হায়খি।

কোমরেদ সোতিনকুমারনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, শুগুনু কেন্দ্রগী ককচিং খুনৌদা পোল্লিং বুথশিং থুগায়বা, সী পি আইগী ৱার্করশিংদা এটেক চথুবগা লোয়ননা ৱার্কর নুপী অমবু তমথীনা ফূবিদুনা হৌজিক হৌজিক হোস্পিটালাইজ তৌদুনা লৈরিবা অমদি ৱাংজিংদা ভোটরশিং থোক্লক্তনবা কিহনবনচিংবা কয়া তৌরিবা অসি মরুওইনা বি জে পিগী আর এস এস মোর্চানা থোকহনবনি হায়না মরাল শীখি।

হন্দক্তা হোম মিনিষ্টর অমিত সাহনা হৈরোকতা লাকখ্রবা মতুং, রোহিট মীহাৎতা চেন্নবশিং মথং মথং বেল আউটতা থাদোকখিবা অসি য়াম্না চিংননিঙাইনি অমদি থা অহুম ফারক্লবা কেস অসিদা চেন্নবা নোংমৈ ফাগৎপা ঙমদবা কয়া অসি য়েংলুরগা হোম মিনিষ্টরনা বি জে পিগী কেন্দিদেটপু ফোংনা শৌগৎলবরা হায়না সী পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী মায়কৈদগী লৌদবা ঙমদে হায়খিবগা লোয়ননা হন্দক্তা ককচিংগী নেসনল পীপলস পার্টি (এন পি পি) গী কেন্দিদেট এম রামেশ্বরনা হান্নগী সী পি আইগী মিনিষ্টর কে এস ঐচ তোম্ববু লান্না উহন্নবা হোৎনখিববু কন্দেম তৌই হায়খি।

মহাক্না মখা তারদুনা হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা অনীশুবা তাঙ্কক্কী মীখল অসিগী ৱাংজিং, তেন্থা অমদি তেকচমনচিংবা মফমশিং রাইভেল পার্টি অনীগী মায়কৈদা খৎন-চৈনবা থোকপা য়ানা লৈরিবা অসি থোকহন্দনবা মতিক চাবা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিং থন্বীনবা অমদি ফ্রি এন্দ ফ্যের ইলেক্সন ওইনবা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগীসু অহেনবা মীৎয়েং চঙহন্নিংবগী অপান্বশিং ফোঙদোকখি।

পাউগী মীফম অদুদা সী পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী সিটি দিষ্ট্রিক্ট সেক্রেটরি এস য়াইমসু শরুক য়াখি।

# ভোটর ৮,৩৮,৭৩০না ক্রিমিনেল ...

*লামায় ১গী মখা...* ভোটর ৮,৩৮,৭৩০গী মনুংদা নুপা ভোটরনা ৪,১০,০২০নি অদুগা নুপী ভোটরনা ৪,২৮,৬৭৯নি। মসিগী মথক্তা ত্রান্সজেন্দর ভোটরশিংগী মশীংনা ৩১ ওইরগা চহী ৮০দগী হেল্লবা ভোটরশিংগী মশীংনা ২০,৫১১নি অমসুং চহী ১০০গী মথক্তা লৈবা ভোটরশিংনা ৪৮০ ওইরগা পার্সন্স ৱিথ দিসএবিলিটিজ (পি দব্লিয়ু দি) ভোটরশিংগী মশীংনা ৪,৮৪৯নি হায়রি।

ভোটরশিং অসিনা পোল্লিং ষ্টেসন ১,২৪৭তা ভোট থাদনগনি। হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা অনীশুবা তাঙ্কক্কী মীখল অসিদা অপূনবা পোল্লিং ষ্টেসন ১,২৪৭কী মনুংদা পোল্লিং ষ্টেসন ২২৩দি নুপী পোল্লিং পর্সনেলশিং খক্তনা মথৌ পাঙথোক্কনি অদুগা ৩১-থৌবাল এসেম্বলি কন্সটিট্যুএন্সিগী পোল্লিং ষ্টেসন পুম্নমকসু নুপী পোল্লিং টিমশিংনা মথৌ পাঙথোক্কনি। মীখল অসিদা পূন্না মথৌ পাঙথোক্কদবা পোল্লিং পর্সনেলশিংগী মশীংনা ৪,৯৮৮নি। অদুগা অপূনবা পোল্লিং ষ্টেসন ১,২৪৭কী মনুংদা মোদেল পোল্লিং ষ্টেসন ৩৯ য়াওরি হায়রি।

ভোটরশিংনা মরাইবক লেপকদবা অপূনবা কেন্দিদেট ৯২গী মনুংদা নুপী কেন্দিদেট ২ য়াওরি অদুগা কেন্দিদেট ১৭না ক্রিমিনেল এন্টিসিদেন্টশিং লৈবা কেন্দিদেটশিংনি। হয়েংগী মীখলদা লম্বা তৌনরিবা পার্টিশিংগী মীরেপশিংনা বি জে পিগী ২২, ইন্দিয়ন নেসনল কোংগ্রেস ১৮, নাগা পিপলস ফ্রন্ট ১০, নেসনেলিষ্ট কোংগ্রেস পার্টি ২, নেসনল পিপলস পার্টি ১১, জনতা দল (য়ুনাইটেদ) ১০, রিপব্লিকান পার্টি ওফ ইন্দিয়া (অথৱালে) ৩, সিব সেনা ২, ইন্দিপেন্দেন্ট ১২ অমসুং সী পি আই অমদি রাষ্ট্রিয় জনহিট সঙ্ঘরস পার্টিগী কেন্দিদেট ১/১নি হায়রি।

হয়েংগী মীখলদা লম্বা তৌরিবশিংদি ৩০-লিলোংদা বি জে পিগী ৱাই অন্তাস খান, আই এন সীগী সয়দ অনৱার হুসেন, জে দি -য়ুগী মোহম্মদ অবদুল নসির অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ্তা এম দি ইরসদ হুসেন, ৩১-থৌবালদা আই এন সীগী ওক্রম ইবোবী, বি জে পিগী লৈতাঙ্থেম বসন্ত, জে দি -য়ুগী ইরোম চাওবা, সিব সেনাগী কোন্সম মাইকেল, ৩২-ৱাংখেমদা এন সী পিগী ওইনাম হরিদাস, আই এন সীগী কৈশাম মেঘচন্দ্র, এন পি পিগী খরিবম জিবন, বি জে পিগী য়ুম্নাম নবচন্দ্র, জে দি - য়ুগী কাঙবম জদু, আর পি আই (এ) গী ডা. নিমাইচান্দ লুৱাং অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপশিংদা এম দি অবদুল হেলিম অমদি লাইশ্রম দোমেন, ৩৩-হৈরোকতা বি জে পিগী থোকচোম রাধেশ্যাম, এন পি পিগী নিংথৌজম দিটেন, আই এন সীগী মোইৱাংথেম ওকেন্দ্রো, আর জে এস পিগী মোইৱাংথেম তোমতোমসনা, ৩৪- ৱাংজিং তেন্থাদা এন পি পিগী উসম মঙলেম, বি জে পিগী পাওনম ব্রোজেন, আই এন সীগী মোইৱাংথেম হেমন্ত, ৩৫-খাঙবোক্তা বি জে পিগী খুন্দ্রাকপম মেঞ্জোর, আই এন সীগী সুর্য্যকুমার ওক্রম, জে দি - য়ুগী থোকচোম জদুমনি, ৩৬-ৱাবগাইদা বি জে পিগী ডা. উসম দেবেন, আই এন সীগী এম দি ফজুর রহিম, এন পি পিগী ময়েংবম রঞ্জিৎ, জে দি-য়ুগী এম দি সিকন্দর অলি, ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ সকির অহম্মদ, ৩৭-ককচীংদা এন পি পিগী ময়াংলম্বম রামেশ্বর, এন সী পিগী য়েংখোম নিলচন্দ্র, সী পি আইগী য়েংখোম রোমা, বি জে পিগী য়েংখোম সুরচন্দ্র, আই এন সীগী ক্ষেত্রিময়ূম কেন্নেদি, জে দি-য়ুগী নাওরেম নবচন্দ্র, ৩৮-হিয়াংলমদা এন পি পিগী মাইবম ধনবির, বি জে পিগী ডা. য়ুম্নাম রাধেশ্যাম, আই এন সীগী ডা. হুইদ্রোম জিতেন, জে দি-য়ুগী এলাংবম দ্বিজমনি, আর পি আই (এ) গী নোংমাইথেম সঞ্জয়, ৩৯-শুগুনুদা আই এন সীগী কাঙুজম রঞ্জিৎ, বি জে পিগী ময়াংলম্বম বিনোদ, ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ ককয়েনপাইবম মুক্তাস্না, ৪০-জিরিবামদা বি জে পিগী নামৈরাকপম বুধচন্দ্র, আই এন সীগী বদ্রুররহমন, এন পি পিগী মককময়ূম অবাজখান, জে দি-য়ুগী এম দি অসবউদ্দিন, ৪১-চান্দেল (এস টি) দা এন পি এফকী লাংহুপোলরিং অনাল, বি জে পিগী এস এস ওলিস, ৪২-তেংনৌপল (এস টি) দা এন পি এফকী দি কোরুংথাং, বি জে পিগী লেটপাও হাওকিপ, আই এন সীগী দব্লিয়ু মোরুং মকুঙা, আর পি আই (এ) গী কে ঐচ দেভিদ মরিং অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপশিংদা জাংখোলুন হাওকিপ অমদি টি কে মোসিলফা, ৪৩-ফুংয়ার (এস টি) দা বি জে পিগী এ এস হোপিংসন, এন পি এফকী লৈসিও কৈসিং, আই এন সীগী ভিক্টর কৈসিং, সিব সেনাগী নিংহোর জাজো, জে দি-য়ুগী ৰুংনাওশাং কছার, ৪৪-উখ্রুল (এস টি) দা আই এন সীগী অলফ্রেন্দ কানঙম, এন পি এফকী রাম মুইভা, বি জে পিগী সোমাতাই সাইজা, ৪৫-চিঙাই (এস টি) দা এন পি এফকী খাসিম বাসুম, এন পি পিগী নিঙম চামরোই, বি জে পিগী প্রেসো সিমরে, আই এন সীগী শোর্দ বাসুম, ৪৭-কারোং (এস টি) দা এন পি এফকী কে এস এন্থোনি, আই এন সীগী দি দি থাইসি, বি জে পিগী আর ৱাই জোনাথন অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপশিংদা জে কুমো শা অমদি থাইবা সানি, ৪৮-মাও (এস টি) দা এন পি এফকী লোসি দিখো, বি জে পিগী এস আলেকজেন্দর মাইখো, ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ্তা ৱোবা জোরাম, ৪৯-তদুবী (এস টি) দা এন পি এফকী ফ্রান্সিস ঙাজোকপা, এন পি পিগী এন কাইসি, বি জে পিগী ও লোরি অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ আর টি মরাম, ৫২-তামৈদা এন পি এফকী অৱাংবৌ ন্যুমাই, এন পি পিগী জেদ কিখোনবৌ ন্যুমাই, আই এন সীগী ডা. অকু, বি জে পিগী ৱিলুবৌ ন্যুমাই, ৫৩-তমেংলোং (এস টি) দা বি জে পিগী হুরি গোলমৈ, এন পি পিগী জাংহেমলুং পানমৈ, এন পি এফকী খাংথুৱান পানমৈ, জে দি-য়ুগী সাম্যুএল জেন্দাই অমসুং ৫৪-নুংবা (এস টি) দা বি জে পিগী দিঙ্গাংলুং গাংমৈ অমসুং আই এন সীগী গাইখাঙমনি।

